# কাপাম কপ ফুটবোল

## এ আর সি এফ এফ অমদি উবসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ঃ
টিম ৩০ গ্রুপ ২ খায়দোক্কুনা থা অসিগী ২৩দগী চান্দেলদা লৈবা কাপাম গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা কাপাম দিভলপমেন্ট ক্লব ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা উবসানা কিংস–১১বু গোল ১–০দা অমদি অনিশুবা মেটচতা এ আর সি এফ এফ–এনা নিয়ু ৱাংপরালবু গোল ৮–৩ থোইখ্রে।



অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা উবসাগা কিংস–১১গা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনবগা লোয়ননা মেটচকী ২০শুবা মিনটতা উবসাগী জর্সি নম্বর ১০দা গোল ১ স্কোর তৌদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা উবসনা পানজল ১ মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাল্ফতা কিংস–১১না পানজল হন্দোক্লবা অকনবা এটেক্ট চথরবসু হন্দোকপা ঙমদনা গোল ১–০দা উবসাগী মখুৎতা মায়থিহৌখিবনি।

মেটচ অদুগী ৩৫ প্লস ২ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা কিংস–১১গী দর্গি অমদি কিংৱার অমসুং ৩৮ অমদি ৬৩শুবা মিনতা উবসাগী এম চুংনৈরেং অমদি ঙমনৈরিলবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনিশুবা মেটচতা এ আর সি এফ এপ–এগা নিয়ু ৱাং পারালগা লম্বা তৌনবদা এ আর সি এফ এফ–এনা য়াম্না লাকচনা গোল ৮–৩দা নিয়ু ৱাংপারালবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এ আর সি এফ এফকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ১২, ২০ অমদি ৭৭তা বুংথোৎনা গোল ৩, মিনট ৫২, ৮০ প্লস ২দা থাংতিনলেননা গোল ২, মিনট ৬২দা মিথেলনা গোল ১, পেত্রিক্টনা গোল ১ অমদি রোকেটনা গোল ১গা চনখি।

# ৫ শুবা ৱান দে মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ ৩–১ দা লৌখ্রে

*কিংষ্টন, জুলাই ০৭ঃ*
ৱেষ্ট ইন্দিজগী টুরগী মনুংচন্না ইন্দিয়ানা ঙরাং শান্নখিবা ৫ শুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু ৩–১ দা ইন্দিয়ানা লৌখ্রে।




*ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী টিম্না টোফ্রিগা লোয়ননা হরাওবা*

জমাইকাগী কিংষ্টন সিটিদা শান্নখিবা ৫ শুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০৫ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইনা থোরকখিবা ইভিল লেৱিস শুপ্পগী রন ৯ খক লৌদুনা লৈরিঙৌদা ইন্দিয়াগী বোলর পান্দিয়ানা আওট তাহন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহানবা ৱিকেট রন ৩৯ তা তুখি।

অহানবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা সাই হোপনা ফিভম ফজনা লৈরিবা ওপনর কাইল হোপকা পার্টনর শেমদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কোর অদু ৭৬ য়ৌহল্লকখি। কাইল হোপ মশাগী রন ৪৬ লৌদুনা লৈরিঙৌদা ইন্দিয়াগী বোলর উমেস যাদবনা আওট তাহন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

অনীশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা রোষ্টোন চেজ অহানবা বোলদা উমেস যাদবনা এলবিদব্লিয়ু তাহন্দুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেট ৩ তুখি। নৌনা থোরকখিবা জেসন মোহমেদনা সাই হোপকা পার্টনর শেমদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু রন ১০০ লাম্ভোকহল্লকখি।

জোসন মোহমেদসু ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মহাকপু কেদর যাদবনা লংলকপা বোল অমদা নীংথিনা পালহৌদবদগী বোল অদু কেদর মশামক্না ওকখিবদগী রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনা বোল ৩৪ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৩৬ লৌরমখি। অদুগা রোভমেন পোৱেলনা বোর ৩২ দা সিক্স ২ গা লোয়ননা রন ৩১ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ লৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২০৫ লৌরমখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মোহমদ সামিনা ৱিকেট ৪, উমেস যাদবনা ৱিকেট ৩, হর্দিক পান্দিয়া অমদি কেদর যাদবনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্লনবা টার্গেট ওইখিবা রন ২০৬ অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ৩৬ কা বোল ৫ দা শুপ্পগী ৱিকেট অনীখক তুরগা রন ২০৬ লৌখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু ৩–১ দা লৌখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু অজিনক্য রহানে অমদি সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। সিখর ধৱন শুপ্পগী রন ৪ লৌদুনা লৈরিঙৌদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোলর এলজারি জোসেফনা আওট তাহন্দুনা শুপ্পগী রন ৫ খক লৈরিঙৌদা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট তুখি।

অহানবা বেট্টিং ওইনা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিগা অজিনক্য রহানেগা য়াম্না ফজবা পার্টনর অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ৮৪ য়ৌহল্লকখি। ওপনর অজিনক্য রহানেবু মশাগী রন ৩৯ লৌদুনা লৈরিঙৌদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর দেভেন্দ্রা বিসুনা আওট তাহনখি।

অনীশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা দিনেস কার্থিকনা ফিভম ফজনা লৈরিবা ভিরাট কোলিগ মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা পার্টনসিপ অমা শেমদুনা আওট ওইখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু ৩–১ দা লৌখি।

ভিরাট কোলিনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উত্তুনা বোল ১১৫ মায়োক্লবদা আওট ওইদনা সিক্স ২ অমদি ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১১১ লৌবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা দিনেস কার্থিকসু আওট বোল ৫২ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫০ লৌবা ঙমখি।

# চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ইন্দিয়াগী অফবা পার্ফোমেন্স লৈগনি হায়না থাজবা জেক্সননা ফোঙদোকখ্রে

*মুম্বাই, জুলাই ০৭ঃ*
চহি অসিগী ওক্টোবর থাদগী হৌরগা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ফিফাগী মীৎয়েং মখাদা চহি ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী টিমগী মাইকৈদগী ফজবা ঙমগনি হায়না টিম অসিগী মরুওইবা মিদ ফিল্ডর অমা ওইরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই জেক্সন সিংহনা মেদিয়াগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।




*মুম্বাইদা মেদিয়াগা উনবা অমদা শরুক য়াখিবা মণিপুরী মচা জেক্সন সিংহ (ওইগী অনীশুবা)*

মশাগী চহি ১৬তা ঙাইরিবা জেক্সন সিংহ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা চহি ১৬মখাগী য়ুথ লীগ টুর্নামেন্টতা টাইটল ফঙবা ঙমখ্রবা পঞ্জাবকী মিনরভা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব একাদেমগী মাইকৈদগী শরুক য়াখিবনি।

ঙসি মুম্বাইদা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী দ্রো পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা শান্নরোইশিংগা মেদিয়াগা উনবা থৌরম অমদা ইন্দিয়াগী টিম অসি অহানবা ওইনা শরুক য়ারবসু ফজবা ঙমগনি হায়দুনা জেক্সন ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ফুটবোল শান্নবদা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরিবা অসিদা পাখৎপা অমদি ফাওই অদুবু ইন্দিয়াগী মহাক য়াওনা অতোপ্পা শান্নমিন্নরোইশিংগা লোয়ননা মখোয়গী মাইকৈদগী খ্বাইদগী ফজবা মওংদা হোৎনদুনা লম্বা পীগনি হায়খি।

জেক্সন্না মখা তারদুনা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী চহি ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী শেম শাবা ওইনা য়ুরোপ্তা এক্সপোজর টুর অমা চৎলুবা অদুনা টিম অসিগী শান্নরোইশিংদা অহেনবা লৌশিং অমদি থৌনা কয়া ফঙখি হায়রি।

হায়রিবা এক্সপোজর টুর অদুদা মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা ইটালি অমদি সরবিয়াগুম্বা টিমগা শান্নবদা য়াম্না কান্নবা ফঙখি হায়খি।

য়ুরোপ্তা শান্নহৌবা ফুটবোলগী থাক অদু ইন্দিয়াদা লৈরিবা থাক অসিগা চাংদম্নরুবদা য়াম্না খেৎনখ্রে। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অসিনা খ্বাইদগী মরুওইনা শেমগৎকদবা মাইকৈ অদু ময়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌনবদা বোল হেন্না পায়বা ঙম্বা অদুনি হায়খি।

মকোক থোংবা টিমশিংগা লম্বা তৌন্নরকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা তম্বা য়াবা হিরম কয়া খঙজিন্দুনা লাকখি হায়রি। মেদিয়াগা উনবা অদুদা জেক্সন্না মখা তানা ফোঙদোক্কুনা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি লোইরবা মতুং য়ুরোপ্তা মহাক শান্নবা ঙম্নবগী লম্বেল অমা শেম্বা পামই হায়খি।

মফম অদুদা শান্নবদা কান্নবা য়াম্না ফঙগনি হায়খি। মহাক্না মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা ক্লবশিংগী মনুংদা বেঙ্গালুরু এফ সি সু য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। ক্লব অসিনা হৌজিক ফাওবদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা এসিয়াগী থাক্তগী অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়া মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙম্লি। মহাকসু করিগুম্বা খুদোংচাবা ফঙলবদি ক্লব অসিগীদমক শান্নবা পামই হায়না ঙসি মুম্বাইদা মেদিয়াগা উনবা অদুদা মণিপুরী মচা জেক্সন সিংহনা ফোঙদোকখি।

# পেনচক সিলাটকী অহানবা কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি


*ইম্ফাল, জুলাই ০৭ঃ*
পেনচক সিলাট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দা অহানবা মণিপুর ষ্টেট পেনচক সিলাট দিভলপমেন্ট কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মাইকৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পেনচক সিলাট মারসিএল আর্টস মশান্না অসি ইন্দোনেসিয়াগী মালে ইথৎতগী হৌরকপনি। মশান্না অসি ওলেম্পিক এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা শকখঙদুনা মথং চহিদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমসতা মেডল দিসিপ্লিন ওইনা য়াওগদৌরি। মদুদা নত্তনা লৈবাক অদুদা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা এসিয়ন য়ুঠ গেমসতসু মেডল দিসিপ্লিন ওইনা য়াওগনি।

মশান্না অসিদা মণিপুরগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা নৌনা মীৎয়েং চঙদুনা এসিয়ান গেমস অদুগী ইন্দিয়াগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অদুদা মণিপুরগী মাইকৈদগী য়াওবা ঙম্নবগী মতাংদা খন্ন–নৈন্নবা অমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙান দিষ্ট্রিক্টশিংদা পেনচক সিলাটগী ত্রেনিং সেন্টর অমমম হাংদোক্লবগী খন্ন–নৈন্নবা অসিদসু য়াওগনি হায়রি।

# এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সচিন সিৱাগ সিলভর ফঙখ্রে

*বেঙ্কোক, জুলাই ০৭ঃ*
থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা এসিয়ন য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন সিৱাগ কেজি ৪৯গী কেতেগোরিদা সিলভর মেডল ফঙখ্রে।



ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী অরোইবা নুমিৎতা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা সচিননা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর সমান্দর খোলমুরোদোপকা লম্বা তৌন্নরকপদা মরেপ ৱাংবগী কান্নবা ফঙখ্রবসু উজবেকিষ্টানগী বোক্সর অদুনা বাউট অদুদা য়াম্না থুনা শান্নবা ঙম্বগী মওং অদু সচিননা মান্নবা ঙমখিদবদগী পোইন্ট শোৎথদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী সচিননা কে জি ৪৯গী ফাইনেল বাউট অদুগী অহুমশুবা রাউন্দদা মহাক্কী মাইকৈদগী জেব কয়া পোইন্ট ফঙবা ঙমখ্রবসু মমাংদা উজবেকিষ্টানগী সমান্দরনা হেনখিবা পোইন্টশিং অদু তান্নবা ঙমখিদবদগী বাউট অদু পোইন্ট ০–৫দা মায়থিহৌবনি।

পুন্না এসিয়াগী লৈবাক ২৩দগী বোক্সর ১২০ হেনবনা লম্বা তৌন্নরকপা এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ফাইনেল য়ৌবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন সিলভর মেডল ফঙলগা লোইশিনখিবদগী ইন্দিয়াগী টিম ওইবা রিজল্টতা সিলভর মেডল অমা অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল মঙা ফঙদুনা হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসি চহি অনী থংন–থংননা গোল্ড মেডল ফঙবা ঙমখিদে।

ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ মায়থিহৌবনি। কে জি ৬০দা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অকিৎ কুমার সেমি ফাইনেল বাউটতা ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু থাইলেন্দগী বোক্সর সাকদা রুৱামথমিনগী মখুৎতা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখিবনি।

কেজি ৬৯গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নবিনবুরাসু অতোপ্পা থাইলেন্দগী বোক্সর পিরাপ য়েসুংনোনগা লম্বা তৌনবদা সেমি ফাইনেল অদু মায়থিদুনা মহাকসু ব্রোঞ্জ ফঙখি।

কে জি ৯১গী মথক্কী ঙরাং থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাউটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর হর্সপ্রিট সরাৱাট উজবেকিষ্টানগী বোক্সর লাজিজবেক মুলাসনোপকী মখুৎতা মায়থিদুনা মহাকসু ইন্দিয়াগী টিমগী ওইনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৫৬কী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মোহমদ ইতাস খান থাইলেন্দগী বোক্সর প্লুয়েম ৱাখললাংগী মখুৎতা লৈহৌদুনা ইন্দিয়াগী মরিশুবা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌখিবনি।

অদুগা ৫শুব ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কেজি ৭৫গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সচিন চাইনাগী বোক্সর ঝু সাওগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোৎথনা মায়থিহৌবদগী ইন্দিয়াগী ৫শুবা ব্রোঞ্জ অদু ওইখি।

# নিনি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেডল মরিমক লৌদুনা মেডল টেল্লিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে







*নুপীগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা গোল্ড ফঙখিবী ইন্দিয়াগী নিরমালাক*

*ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৭ঃ*
ঙরাংদগী ইন্দিয়াগী ওরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কালিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা ২২শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি লম্বা তৌখিবা ইভেন্ট মরিগী গোল্ড মরিমক ইন্দিয়ানা ফঙদুনা মেডল টেল্লিদা হান্নগী চেম্পিয়ন চাইনাদগী মাংজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসিগী নিনি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ৪০০গী এথলেট নিরমালা শিওরাননা গোল্ড মেডল ফঙদুনা ইন্দিয়াগী গোল্ড একাউন্ট অদু হাংদোকপা হৌখি। মহাক্কী মতুংদা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেল অদুদসু ইন্দিয়াগী এথলেট মোহমদ অনাসনা গোল্ড মেডল লৌদুনা ইভেন্ট অনী লোইশিল্লকপা গোল্ড অনীমক ইন্দিয়ানা ফঙখিবনি।

ঙসি মখাতানা কালিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা নুপা অমসুং নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেল অদুদসু ইন্দিয়াগী এথলেট অনীনা গোল্ড মেডল অনী ফঙদুনা ঙসি পুন্না ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী গোল্ড মেডল ৪ শুখিবনি।

নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী অজয় কুমারনা গোল্ড ফঙখি। অদুগা নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদনা ইন্দিয়গাী এথলেট পি য়ু চিত্রনা গোল্ড ফঙখি।

নুপীগী মিটর ৪০০গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী মাইকৈগী চহি ২১ খত্তগা ঙাইরিবী নিরমালানা সেকেন্দ ৫২.০১দা চেন্দুনা গোল্ড ফঙখিবনি। সিলভর মেডল অদুনা ভিয়েটনামগী ক্বাস থিনা সেকেন্দ ৫৫.৭৮তা লৌখিবনি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা ইন্দিয়াগী জিসনা মেথিওনা সেকেন্দ ৫৩.৩২দা ফঙখি।

ইন্দিয়াগী মোহমদ অনাসনা নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেল অদুদা সেকেন্দ ৪৫.৭৭দা গোল্ড ফঙখি। অদুগা সিলভর অদুসু ইন্দিয়াগী রজিপ অরোকিয়ানা সেকেন্দ ৪৬.১৪দা ফঙখি।

নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা অজয় কুমারনা মিনট ৩ঃ৪৫.৮৫তা গোল্ড ফঙবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পি য়ু চিত্রনা মিনট ৪ঃ১৯.১৫তা গোল্ড লৌবা ঙমখিবনি।

| Rank | Nation | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | India | 6 | 3 | 6 | 15 |
| 2 | China | 4 | 3 | 3 | 11 |
| 3 | Kyrgyzstan | 1 | 0 | 0 | 1 |
|  | Iran | 3 | 0 | 1 | 4 |
|  | Vietnam | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | Japan | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 7 | Malaysia | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Qatar | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | Sri Lanka | 0 | 1 | 0 | 1 |
|  | United Arab Emirates | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 11 | Saudi Arabia | 0 | 1 | 1 | 2 |
|  | Philippines | 0 | 0 | 1 | 1 |
| Total |  | 7 | 7 | 7 | 21 |




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*